# ২৮শুবা ওল মণিপুর সুট্টিং কম্পিটিসন ২০১৮ ইম্ফাল ইষ্টকী বিনোয়না গোল্ড অনী লৌবা ঙমখ্রে



*ইম্ফাল, জুন ১৭ঃ*

মণিপুর রাইফলস এসোসিয়েসননা শীন্দুনা খুমন লম্পাক্কী সুট্টিং রেঞ্জতা চথরিবা ২৮শুবা ওল মণিপুর সুট্টিং কম্পিটিসনদা ইম্ফাল ইষ্ট রাইফল এসোসিয়েসনগী এস বিনোয়না ইভেন্ট অনীদা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখ্রে।

বিনোয়না স্মোল বোর ফ্রি রাইফল প্রোন ৫০ মিটর মেন্স ইন্দিভিজ্যুএলদা মহাক্না পুন্না সেরিজ ৬ কাপ্পদা পোইন্ট ৫৮৩ ফঙদুনা অহানবা পোজিসন তাবা ঙমখি।

ইভেন্ট অসিমক্কী ইম্ফাল ৱেষ্টকী সুট্টর অনী আর কে সনাহল অমসুং সিনাম সুমোরেন্দ্রা মৈতৈ না পোইন্ট ৫৭৬ অমসুং ৫৬৭ ফঙদুনা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

অতোপ্পা স্মোল বোর ফ্রি রাইফল ৩ পোজিসন ৫০ মিটর মেন্স ইন্দিভিজ্যুএল ইভেন্টতা বিনোয়না পুন্না পোইন্ট ৫৫৩ ফঙদুনা অহানবা পোজিসন তাবা ঙমখি। অদুগা ইম্ফাল ৱেষ্টকী সুমেন্দ্রোনা পোইন্ট ৫২৩ ফঙদুনা অনীশুবা পোজিসন তাখি।

স্মোল বোর ফ্রি রাইফল প্রোন ৫০ মিটরদা জুনিয়র মেন্স ইন্দিভিজ্যুএল ইভেন্ট ইম্ফাল ৱেষ্টকী সনাসম দারিয়াসনা পোইন্ট ৫৬৫ ফঙদুনা অহানবা পোজিসন অদুগা ইম্ফাল ইষ্টকী অরিবম প্রবিন শর্ম্মা অমসুং অদর্স লাইরেঞ্জমনা পোইন্ট ৫৫৬ অমসুং ৫৫৪ ফঙদুনা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফ্রি পিষ্টোল ৫০ মিটর মেন্স ইন্দিভিজ্যুএল ইভেন্টতা ইম্ফাল ইষ্টকী টি ঐচ বেঞ্জমিননা পুন্না পোইন্ট ২৪২ ফঙদুনা অহানবা পোজিসন তাবা ঙমখি।

অদুগা য়ুনিট অসিমক্তগী কবিব কাথেরনা পোইন্ট ২২৮ ফঙদুনা অনীশুবা পোজিসন অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী নোংথোংবম কিরনকান্তনা পোইন্ট ২২৭ ফঙদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

অতোপ্পা .২২ রাইফল ওপন সাইত ষ্টেন্দর্দ রাইফল প্রোন ৫০ মিটর মেন্স ইন্দিভিজ্যুএল ইভেন্টতা ইম্ফাল ইষ্টকী মাইবম লুয়াবা মৈতৈ অমসুং খন্নাম রতন মৈতৈ অনীনা পুন্না পোইন্ট ৪৭৪ অমসুং ৪৪১ ফঙদুনা অহানবা অমসুং অহুমশুবা পোজিসনশিং তাবা ঙমখ্রে। অদুগা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এন রাজবিহারিনা পোইন্ট ৪৪৫ ফঙদুনা অনীশুবা পোজিসন তাবা ঙমখিবনি।

চপ মান্নবা ইভেন্টকী ভেটেরিয়ান কেতেগোরিদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী কাংঙবম সরতনা পুন্না পোইন্ট ২৯ ফঙদুনা অহানবা পোজিসন তাখি।

অতোপ্পা সেন্টর ফাইয়র পিষ্টোল (পর্সনেল গন লাইসেন্স) ২৫ মিটর মেন্স ইন্দিভিজ্যুএল ইভেন্টতা ইম্ফাল ইষ্টকী উশম তরুনকুমারনা পুন্না পোইন্ট ৩৮ ফঙদুনা অহানবা পোজিসন অদুগা ইম্ফাল ৱেষ্টকী আর কে চিংলেননা পোইন্ট ১৯ ফঙদুনা অনীশুবা পোজিসন অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী মনোহরময়ুম বারিসনা পোইন্ট ১০ ফঙদুনা অহুমশুবাপোজিসন তাখি।

# ১৩শুবা লাইজিং নিংথৌ কাং টুর্নামেন্ট থাংমৈবন্দ–বি কাংখুৎনা হৈঙাং কাংখুৎপু মায়থিবা পীখ্রে



*ইম্ফাল, জুন ১৭ঃ*

থাংমৈবন্দগী ইবুধৌ লাইজিং নিংথৌ শঙলেনদা লাইজিং নিংথৌ অহল্লুপ কাংখুৎনা শীন্দুনা চত্থরকখিবা ১৩ শুবা লাইজিং নিংথৌ অহল্লুপ কেন্দ্র ৱাইজ লীগ কম নোক আউ কাং টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ –সিগী লীগ মেটচ অমদা থাংমৈবন্দ–বি কাংখুৎনা হৈঙাং কেন্দ্র কাংখুৎপু পাঞ্জল ১৮–১৬ তা মায়থিবা পীখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফতা হৈঙাং কাংখুৎনা পাঞ্জল ১১–৫ দা লীদ তৌদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নবদা হৈঙাং কাংখুৎনা শুপ্পগী পাঞ্জল ৫ হাপকৎপা ঙমখি। অদুগা থাংমৈবন্দ–বি কাংখুৎনা পাঞ্জল ১৩ হাপকৎপা ঙমখিবগা লোয়ননা পাঞ্জল ২ হেনদুনা হৈঙাং কাংখুৎপু মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা টিম অসিদা শরুক য়াখিবা শান্নরোইশিং অদুদি সিনাম রুপচন্দ্র, পি ঐচ ব্রজামনি শর্ম্মা, কে জয়কুমার, টি ঐচ ব্রজামনি, সোইবম বিরকুমার, ঐচ কুমার অমসুং রাজচন্দ্র নি।

হৈঙাং কাংখুৎকী শান্নরোই অদুনা এল জুগেশ্বর, টি ঐচ চাওবা, এন জি নিমাই, এন মোহেন্দ্রো, ৱাই নিংথৌ, সি ঐচ আইসো, দব্লিউ দেবেন অমসুং সি ঐচ দামুনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং মেটচ লৈরোই। থা অসিগী ১৯দা কৈশামথোং কাংখুৎ অমদি নম্বোল কাংখুৎ অনীনা লম্বা তৌনরগনি।

# মণিপুর হোক্কিনা কৌত্রুক য়ুঠ দিভলপমেন্ট ক্লব এফিলিয়েট তৌবগী অয়াবা পীখ্রে



*ইম্ফাল, জুন ১৭ঃ*

ষ্টেট অসিদা হোক্কি মশান্না অসিবু চাওখৎহনবগী মীৎয়েংদা মণিপুর হোক্কিনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী কৌত্রুক্তা লৈবা কৌত্রুক য়ুঠ দিভলপমেন্ট ক্লবপু এসোসিয়েসন অসিদা এফিলিয়েট তৌবগী অয়াবা পীখ্রে।

এফিলিয়েসন তৌবগী অয়াবা অসি কৌত্রুক ক্লবনা মেগী ২৭তা থারকখিবা এপ্লিকেসন অমগী মতুং তারকপা ওইনা মণিপুর হোক্কিগী মীওই ৭না শান্নবা টিম অমা চৎতুনা য়েংশিল্লুরবা মতুং অয়াবা অসি পীখিবনি।

ঙসি য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা মেম্বরশিং অদুদি মণিপুর হোক্কিগী লাইফ প্রসিদেন্ট কেএসঐচ থোইবা সিংহ, প্রসিদেন্ট বাসুদেব সিংহ, মেম্বর গ্যানেন্দ্রো নিংঙোম্বম, জেনরেল সেক্রেটরী এল টিকেন, চিফ এজিক্যুটিব ওফিসর এল বসন্ত শর্ম্মা, এজিক্যুটিব দাইরেক্টর কেএসঐচ ইবোপিশক সিংহ অমসুং ভাইস প্রসিদেন্ট এ রামে নি।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা মণিপুর হোক্কিগী প্রসিদেন্ট এ রামে না নৌনা এফিলিয়েট তৌরবা ক্লব অসিদা নুমিৎ ২১ গী ওইবা চহি ১২ অমদি ১৪ মখাগী অঙাংশিংগী ওইবা কোচিং প্রোগ্রাম অমা থা অসিগী অরোইবদা পাঙথোক্লবগী থাজবা পীরমখি।

মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মণিপুর হোক্কিনা কোচিং প্রোগ্রাম অসিদা চঙগদবা হোক্কি ষ্টিক অমদি বোলনচিংবা পুথোক্কনি। অদুগা লোয়ননা অথুবা মতমগী ওইনা ত্রেন তৌরবা কোচশিং ক্লব অসিদা লমজিং লমথাকপীনবা অথুবা মতমদা থারগনি হায়না খঙহল্লক্লি।

# গুরুঅরিবম এরোস্মিৎনা ১৮শুবা য়ু–১৫ রেপিদ চেছ টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌখ্রে



*ইম্ফাল, জুন ১৭ঃ*

কংলৈ চেছ একাদেমীনা শীন্দুনা চত্থরকপা ১৮শুবা অন্দর ১৫ ওপন সটরদে এন্দ সন্দে রেপিদ চেছ টুর্নামেন্ট একাদেমী অসিগী শিংজমৈ চিংঙামথক চোংথাম লৈকায়দা লৈবা শঙলেনদা ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা গুরুঅরিবম এরোস্মিৎনা পোইন্ট ৪ ফঙদুনা অহানবা মনা ফঙখ্রে।

এরোস্মিৎনা ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল রাউন্দ মেটচতা জালেস থৌদামবু মায়থিবা পীরল্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মনা ফঙবা ঙমখিবনি।

অদুগা লালহৈবা লোইতোংবমনা খেত্রিময়ুম এমসনবু ফাইনেল রাউন্দ মেটচতা মায়থিবা পীরল্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা মনা ফঙবা ঙমখি। অদুগা জালেস থৌদামনা অহুমশুবা মনা ফঙখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি লোইশিনবা নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেল রাউন্দ মেটচশিংদা লালহৈবা লোইতোংবমনা লনচেনবী ঙাইরংবমবু মায়থিবা পীখি।

অদুগা দয়ানন্দ থৌদামনা মোইরাংথেম দেবদত্তা, মাইবম জহেনবা খুমননা খুয়ুমথেম প্রেত্রিক অমসুং তখেলম্বম শ্যামসননা থোকচোম প্রিটিবু মায়থিবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা এলেক্স খুন্দোংবমনা মরিশুবা, দয়ানন্দ থৌদামনা মঙাশুবা, খেত্রিময়ুম হেমসননা তরুকশুবা অমসুং লনচেনবী ঙাইরংবমনা তরেৎশুবা পোজিসনশিং তাখি।

লোইশিনবগী থৌরমদা কংলৈ চেছ একাদেমীগী এদভাইজর সনাশম উমানন্দনা মকোক–মথং তারবশিংদা প্রাইজ য়েন্থোকখি।



*অনীশুবা ওদিআই মেটচতা ইংলেন্দনা ওষ্ট্রেলিয়াবু রন ৩৮তা মায়থিবা পীখ্রে*

# অসাম রাইফলসনা সিংহাৎকী প্রজাশিংদা ৱার্ল্ড কপ মেটচশিং য়েংহনবা ফংহনখ্রে



*ইম্ফাল, জুন ১৭ঃ*

২৭ সেক্টর অসাম রাইফলসকী মীৎয়েং মখাদা লাখিমপুর বট্টালিয়ননা শীন্দুনা সিংহাৎ কম্যুনিটি হোলদা থা অসিগী ১৬তগী হৌখিবা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোলগী মেটচশিং লমদম অদোমগী ফুটবোলবু নুংশিজবা প্রজাশিংদা য়েংহনবা ফঙহনখ্রে।

লমদম অদোমদা ঈশিং–নুশিংকী ফিভম ফত্তবনা মরম ওইরগা মতম শাংনা মৈ লাক্তবনা লমদম অদোমগী ফুটবোলবু নুংশিজবা প্রজাশিংদা ফুটবোল য়েংহনবগী প্রোগ্রাম অসি শিনখিবনি। মখা তানা সিংহাৎকী প্রজা অমদি খুন থংনবদা লৈবশিংদা মৈগী ফিভম ফত্রিফাওবা প্রোগ্রাম অসি মখা তানা চত্থখিগনি হায়না আই জি এ আর (সাউথ) না খঙহল্লক্লি।

# ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল টিম এসিয়ান গেমস্তা শরুক য়ারগনি

*ইম্ফাল, জুন ১৭ঃ*

জকারতাদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান গেমসতা ইন্দিয়াগী নুপা ফুটবোল টিম শরুক য়ানবগীদমক ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনদা ওফিসিয়েল কনফার্মেসন অমা লাকখ্রে।

কনফার্মেসন লাকখিবা অসি মুম্বাইদা পাঙথোকখিবা ইন্টর কন্টিনেন্টেল কপকী লীগ ষ্টেজতা ইন্দিয়ানা কেনিয়াবু মায়থিবা পীরল্লবা মতুংদা লাকখিবনি।

ইন্দিয়া টিমগী কোচ ষ্টেফেন কন্সটেন্টাইলনা ইন্দিয়া টিম অসিবু হেন্না খুদোংচানবগীদমক ভারত সরকারদা অচৌবা মেগা স্পোর্টিং ইভেন্ট অমা শরুক য়ানবা তাকশিল্লকখি।

মখা তানা কোচ অসিনা ইন্দিয়া টিমবু জুলাই থাদগী হৌদুনা কেম্প তৌনবা শেম শাবা লোইখ্রে।

নিংশিংবা য়াবদি ইন্টর কন্টিনেন্টেল কপ অসি লাক্কদৌরিবা ২০১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা এএফসি এসিয়ান কপগী শেম শান্নবগী টুর্নামেন্ট অমনি।

চহি অসিগী জনুৱারি ৫দগী ফেব্রুৱারি ৫ ফাওবা পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্ট অদুদা ইন্দিয়া টিমনা গ্রুপ এ দা য়ুম্বু ওইরিবা য়ুনাইটেদ অরাব ইমিরেট, থাইলেন্দ অমসুং ভারেন লম্বা থেংনখি।

# অব্দুল সলাম নেরোকা এফসিদা চহি ২গী কন্ত্রেক্ট সাইন তৌনখ্রে



*ইম্ফাল, জুন ১৭ঃ*

মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৬–১৭ দা সাউন্দর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন শিংজমৈদা দিফেন্দরগী পোজিসনদা শান্নরম্বা মোহমদ অব্দুল সলাম নেরোকা ফুটবোল ক্লবতা শান্নবগীদমক চহি ২গী ওইবা কন্ত্রেক্ট সাইন অমা ঙসি তৌনখ্রে।

মশাগী চহি ১৮ খক্তা ঙাইরিবা অব্দুল সলাম য়াম্না নহা ওইরিবা অমদি পঙ্গল কনবা দিফেন্দর অমনি। মহাক ফিট ৫গা ইঞ্চি ৭ ৱাংই। অব্দুল সলাম য়াম্না শান্না লংবা ঙম্বা অদুগুম্বা তোপ তোপ্পা শান্নরোই অমসু ওইরি।







Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*